

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, JULY 25, 2018 **PAGE 7**


*মথং থাদা কানাদাগী সিটি টোরোন্টোদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোজর্স কপ্তগী ৱিদ্রো তৌখ্রবা ৱিম্বলদন টাইটল ৮ লক লৌবা ঙমখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর*

*এন্টি–দোপ্পিং খোঙ্গাওনৈ হায়বগী মরালদা য়ুএস এন্টি–দোপ্পিং এজেন্সিনা থা ১৪ অথিংবা থমখ্রবা ৬লক ওলিম্পিক গোল্ড মেডল লৌখ্রবা য়ুএসকী স্বিম্মর রাইন লোখটে*

## ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবর্ন সিটি এফসিনা লা লীগা ৱার্ল্ড টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*কোচি, জুলাই ২৪ঃ*

কেরলাগী সিটি কোচিনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌখিবা টোয়োটা য়ারিস লা লীগা ৱার্ল্ড টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব মেলবর্ন সিটি এফসিনা ইন্দিয়াগী কেরলাগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ৬–০ দা য়াম্না হেনবা মওং দা মায়থিবা পীখ্রে।




*মেলবর্ন সিটি এফসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা মেক গ্রি (য়েৎ) না কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়োক্তা বোল কাউশিনখিবা*

কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং মেলবর্ন সিটি এফসিনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা মেলবর্ন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফ অদুগী মিনট ২৫ রোম চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা মেলবর্ন সিটি এফসিনা এটেক কয়া তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা পাঞ্জল ওইহন্দনা থমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা মেলবর্ন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দারিও ভিদোসিক ৱেল্সনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হনে দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৩৩শুবা মিনটতা মেলবর্ন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা মেক গ্রিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ২–০ দা হেন দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব মেলবর্ন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মেক গ্রিনা কাওশিল্লকখিবা সোট অমা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপর ধিরজনা ফাখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌখিদ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু মেলবর্ন সিটি এফসিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ অদু মেলবর্ন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখিবদগী কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা এটেক মরী–মরী চথরকখি।

শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা মেলবর্ন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লাচলান ৱেল্সনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎখিবা খুদিংমক মেলবর্ন সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা থমখি।

শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা মেলবর্ন সিটি এফসিগী এটেক অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা মেক গ্রিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা মেলবর্ন সিটি এফসিগী মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা নাজারিননা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ৭৮শুবা মিনটতা টিমমেট ফোরনারোলিনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ৬–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মতুং তারকপা মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১২ রোমগী মতম অদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হনে দাকপা ঙমখিদবা অমদি মেলবর্ন সিটি এফসিগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী লা লীগা ৱার্ল্ড টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেটচ মেলবর্ন সিটি এফসিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

## এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবা লক্ষ্য সেননা অচৌবা টুর্নামেন্টতা মীৎয়েং থল্লি

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ২৪ঃ*

হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জার্কাটাদা লোইশিনখিবা এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা অচৌবা টুর্নামেন্টশিং দা টাইটল লৌবগী মীৎয়েং থল্লি।

মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই লক্ষ্য সেননা মমাঙদা জুনিয়র ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবনি। লক্ষ্য সেন জার্কাটাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মশা শোক্লা–শোক্লা শরুক য়াখিবনি। অদুবু পেনকিল্লর শিজিন্নদুনা শান্নরক্লবা মতুং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগা লোয়ননা টাইটল ফাওবা লৌবা ঙমখি।




*এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌখ্রবা লক্ষ্য সেনগা লোয়ননা প্রকাস পান্দুকোন*

লক্ষ্য সেন হৌজিক–হৌজিক সেনিয়র ৱার্ল্ড রেঙ্কিং দা ৭৬শুবা পোজিসনদা লৈরি। মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা নৌনা পাঙথোরক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা ৫০শুবা রেঙ্কিংগী মনুং চন্নবা হোৎনগনি।

লক্ষ্য সেন প্রকাস পান্দুকোন বেদমিন্টন একাদেমীদা হৌজিক–হৌজিক ট্রেনিং চথরিবা শান্নরোই অমনি। মফম অসিদা ট্রেনিং চথখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্লা এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি হায়নসু লক্ষ্য সেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই লক্ষ্য সেন মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা খ্বাইদগী নহা ওইবা শান্নরোই ওইনা চঙলকখিবনি। মদুগী মতুং বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা বলগেরিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল সেরিজগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইরম্লবা চাইনাগী লিন দানগা শান্নবদা অহানবা গেম মহাক্লা ২১–১৫ দা থোইবা ঙমখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা চাইনাগী লিন দানবা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গেম অদু ২১–১৫, ২১–১২ দা থোইরম্বদগী মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমহৌখিদবনি।


পনবা য়াবদি বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (বিএফআই) না লক্ষ্য সেননা এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন্সপকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবা অদুদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা লুপা লাখ ১০ পীগনি হায়না লাওথোকপা লৈখিবনি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউ খুমদা লক্ষ্য সেননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মশান্না অসিদা অশানবা মীৎয়েংদি কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইদুনা মেডল লৌবনি হায়খি।

## লিওনেল মেসি, কাইলিয়ান মবাপ্পে অমসুং কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো ফিফাগী বেষ্ট প্লেয়র লিষ্টতা য়াওখ্রে, ব্রাজিলগী ষ্টার প্লেয়র নেমর য়াওখিদ্রে

*লন্দন, জুলাই ২৪ঃ*


ফিফাগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই খনগৎপগী সোর্টলিষ্টতা আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি, ফ্রান্সকী কাইলিয়ান মবাপ্পে অমসুং পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগী মমিং য়াওখ্রে। অমরোমদা ব্রাজিলগী ষ্টার প্লেয়র নেমর জুনিয়র অমসুং পোল পোগবা য়াওখিদ্রে।



*আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি*



*ফ্রান্সকী কাইলিয়ান মবাপ্পে*



*পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

ব্রাজিলগী ষ্টার প্লেয়র নেমর জুনিয়র মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল শান্নরোই খনবগী ভোটতা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। মহাক্লা শরুক য়াদুনা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শরুক য়াদুনা দোমেষ্টিক ট্রোফি অহুম লৌবা ঙমখি।

নেমর মতম শাংনা মখোঙ শোক্তুনা শান্নবা য়াওরুদ্রবা মতুং হন্দক রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি।

অমরোমদা চহী ২০ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা ফ্রান্সকী টিমদা শরুক য়ারিবা লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মিডফিল্ডর ওইরিবা পোল পোগবা ফিফাগী বেষ্ট প্লেয়রগী সোর্টলিষ্ট অসিদা মমিং য়াওখিদ্রে।

ইজিপ্তকী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা মোহমদ সালানা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমাঙ সিজনদা লিভরপুলদা শান্নদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা সোর্টলিষ্ট অসিদা য়াওবা ঙমখি।

রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙমদুনা গোল্ডন বুটকী মনা ফংখিবা ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেনসু ফিফাগী বেষ্ট লিষ্ট অসিদা য়াওবা ঙমখি।

মনা অসি হেক পীবা হৌবদগী পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা অনীরক ফংবা ঙমখ্রে। লোয়ননা আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিবু রোনাল্ডোগা মান্ননা অনীরক ফংবা ঙমখি।

রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা গোল্ডন বোলগী মনা লৌখিবা ক্রোএসিয়াগী কেপ্টেন লুকা মোদ্রিকসু মনা অসি পীনবগী খনগৎপদা য়াওবা ঙমখি।

শান্নরোইশিং, কোচশিং, ফেনশিং অমসুং মেডিয়ানা ভোট তৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই খল্লবা মতুং সেপ্টেম্বর ২৪ দা ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা লাওথোক্কনি।

ফিফাগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই খন্নবগীদমক খনগৎলপা সোর্টলিষ্ট অদুদিঃ– এন্টোইন গিজভান (এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং ফ্রান্স), ইদেন হেজাদ (চেলসি অমসুং বেলজিয়ম), হেরি কেন (টোটেনহাম অমসুং ইংলেন্দ), কাইলিয়ান মবাপ্পে (পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ফ্রান্স), লিওনেল মেসি (বার্সেলোনা অমসুং আর্জেন্টিনা), লুকা মোদ্রিক (রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ক্রোএসিয়া), কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো (জুবেন্টস অমসুং পোর্টুগাল), কেভিন দি ব্রুইন (মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং বেলজিয়ম), মোহমদ সালা (লিভরপুল অমসুং ইজিপ্ত) অমসুং রাফেল ভারানে (রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ফ্রান্স)নি।

## বেঙ্গালুরু এফসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি ক্লব অসিদা মখা তানা শান্ননবগী চহী অমগী কোন্ট্রেক্ত সাইন তৌনখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ২৪ঃ*

ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইবগা লোয়ননা বেঙ্গালুরু এফসিগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রি ক্লব অসিদা মখা তানা চহী অমগা শান্নবগী কোন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখ্রে।



এআইএফএফকী প্লেয়র ওফ দি ইয়র ২০১৭ কী মনা ফংখ্রবা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা সুনিল ছেত্রি বেঙ্গালুরু এফসিগা মমাঙদা চহী ৩ গী সাইন তৌনখিবনি। মতম অদু লোইশিল্লক্লবা মরম্না নৌনা চহী অমা অমুক ক্লব অসিদা মখা তানা শান্ননবগীদমক সাইন তৌখিবনি।

সুনিল ছেত্রিনা ক্লব অসিদা খ্বাইদগী শাংনা শান্নদুনা চহী ৫ থংন–থংননা ক্লব অসিগী টোপ স্কোরর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্লা ক্লব অসিগী মেটচ ১৪৪ শান্নখিবা গোল ৭১ চনবা ঙমদুনা খ্বাইদগী য়াম্না গোল চনবা ঙম্বা শান্নরোই ওইরি।

সুনিল ছেত্রিগী ক্লব অসিগীদমক থৌনা লৈনা হনবা লৈতনা শান্নখিবা মেটচশিং অদুবু বেঙ্গালুরু এফসিগী সিইও পার্থ জিন্দালনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

বেঙ্গালুরু এফসিদা সুনিল ছেত্রিনা মখা তানা শান্নরকপা অসিনা ক্লব অসিদা অনৌবা থৌনা হাপ্লগনি। মহাক্লা শান্নখিবা মেটচ খুদিংমক্তা কেপ্টেন ওইদুনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবুসু ক্লব অসিগী সিইও পার্থ জিন্দালনা থাগৎখি।

বেঙ্গালুরু এফসিগী টিম অসি হৌজিক–হৌজিক বেলারিদা ট্রেনিং চথরি। মসিগী মতুংদা স্পেননা চত্তুনা মখা তানা ট্রেনিং চত্থগনি হায়না পার্থ জিন্দালনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বেঙ্গালুরু এফসিনা মথং থাগী ২২ অমসুং ২৯ দা এএফসি কপকী ইন্টর–জোন সেমি ফাইনেলগীদমক টুর্কমেনিষ্টানগী ক্লব অল্টিন এসিয়র এফকেগা লেগ অনীদা লম্বা তৌনগনি।

## য়ুএসএগী স্বিম্মর রাইন থা ১৪ অথিংবা থমখ্রে

*ৱাশিংটন, জুলাই ২৪ঃ*

৬লক ওলিম্পিক গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবা য়ুএসএগী স্বিম্মর রাইন লোখটে এন্টি–দোপ্পিং খোঙ্গাওনবগীদমক য়ুএস এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিনা থা ১৪ গী অথেংবা থমখ্রে।

ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেডল ৬ লক লৌবা ঙমখ্রবা য়ুএসএগী স্বিম্মর রাইন লোখটেনা চহী অসিগী মে থাদা মহাক মশামক্লা সোসিয়েল মেডিয়াদা থাগৎলকখিবা ফোটো অমগা মরী লৈননা য়ুএস এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিনা থিগৎপা হৌরকখিবনি।

থিগৎপা অদুদা মহাক্লা এন্টি দোপ্পিংবু খোঙ্গওনরে হায়দুনা য়ুএস এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিনা থা ১৪ মশান্না অসিদগী অথিংবা থমখিবনি।

ওলিম্পিক চেম্পিয়ন রাইন লোখটে চয়োল অসিদা কার্লিফোর্নিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াননবগীদনমক শেম শাদুনা লৈখিবনি।

## কোহলিনা টেষ্ট বেট্টিংগী ২শুবদা লৈরি বোল্লরদা জাদেজা অহুমশুবদা লৈখ্রে

*দুবাই, জুলাই ২৪ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা টেষ্ট মশান্নগী বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি। বোল্লিংগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জদেজানা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ভিরাট কোহলিনা বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারানা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি। জো রুটনা টোপ টেনগী মনুংদা লৈবা ইংলেন্দগী অমত্তা ঙাইরবা বেটসমেন ওইবা ঙল্লি।

বোল্লিংগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জাদেজা অমসুং রবিচন্দ্রন আস্বিননা মথংশিৎনা পোইন্ট ৮৬৬ অমসুং ৮১১ ফংলগা অহুমশুবা অমসুং ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোলর কাগিসো রাবাদানা পোইন্ট ৮৮২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরগা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা বোল্লর ভর্নোন ফিলান্দরনা পোইন্ট ৮২৬ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Salam, Imphal West
Ref. : Mutation Case No.307/SDC/ IW(S) 2018

Chabungbam Jashobanta Singh S/o Late Ch. Rajen Singh of Awang Khunou Mamang Leikai
Petitioner

-Vs-

Late Chabungbam Rajen Singh S/o (L) Chandramohan Singh of Awang Khunou Mamang Leikai
O.P.

**NOTICE**

Imphal, the 24th July 2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Chabungbam Rajen Singh, পীং মৃঃ Chandramohan Singh সাং Awang Khunou Mamang Leikai গী মমিংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 76-Salam Keikhu গী অনৌবা পাট্টা নং 211/789(N), দাগ নং 1154/1446 অমসুং এরিয়ানা 0.29 acre অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ 7 নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam (I/W) Manipur

SL/3838(c)/25

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 647/SDC/P of 2018

1) Brahmacharimayum Rani Devi W/o (L) B. Sandaram Sharma of Brahmapur Nahabam
2) B. Priyananda Sharma S/o (L) B. Yaima Sharma of -do-
3). B. Sanatombi Devi D/o (L) B. Yaima Sharma of -do-
Petitioners

-Vs-

B. Yaima Sharma S/o (L) B. Nilamani Sharma of Brahmapur Nahabam
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 24-7-2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-Wangkhei Pachim Brahmapur গী Patta No. 235/ Angsh (অরিবা) 643/608 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 122/494 an area 0.06 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/3838(b)/25

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 648/SDC/P of 2018

1) Chingangbam Tomba Singh S/o (L) Tamara Singh of Kongpal Chingangbam Leikai
2) Ch. Arun Singh S/o (L) -do-of-do-
3) Ch. Sarat Singh S/o (L) Tombi Singh of -do-
Petitioners

-Vs-

Chingangbam Tamara Singh S/o (L) Ch. Damu Singh of Chingangbam Leikai
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 24-7-2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 24-Khurai Chingangbam Leikai গী Patta No. 207 (অরিবা) 97 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 366 an area 0.15 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
Manipur

SL/3838(a)/25